ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯊꯥꯡꯖ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯰꯱, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
থাংজ, ওক্টোবর ০১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ১৮৫শুবা মশীং

# ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন

## ওপরেসন মায় পাক্লে, অনাবা শিরে

ৱার ওন দ্রগস কেম্পেনসি মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮দগী চত্থরকখিবনি। খোঙথাং অসিমক থাংলক্তুবা য়াদবদগী থাংলকখিবনি। ইল্লিগেল দ্রগশিংগী মায়োক্তা শোক্নদবা য়াদ্রবা লান অমা ওইবদগী শোক্লরক্লিবনি। হৌজিকসু লেপ্তুনা চত্থরকপদগী চহী ৪ ফাজিল্লক্লে। মসিগী কান্নবসু ফংবা হৌরে। মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়াম্নসু শৌগৎনরক্লে। অদুবু শোক্লরক্লিবা লানসিদা অরুবা অনাবা মীওই অমা চুম্নতা হীদাক পীজবা, হীদাক কাপ্পীবদনা করিসু তৌদবা অদুগা মহাক্কী হকচাংদা লৈরিবা অনাবদু মপূং ফানা মঙোন্দগী শেত্তোক খায়দোক্লদুনা ফহন্নবা ওপরেসন তৌরুবদনা ওপরেসনদি মায় পাক্লগা অনাবনা হেক্তা হিংদবা, শিবগী ফীভমদা লাক্লিবসিবু করিগীনো? লানসি হৌগৎলকপদা মপাঙ্গল খরা শোল্লন্নবসু হৌজিক্তি মণিপুরদগী ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মরূ ফংনা মূত্থৎপা ঙম্বগী চপ চাবা পাঙ্গল লৈরে হায়বা য়ারবনি। লান্মী মশীং য়াম্লে, খূৎশু খূৎলায় মতিক চারে অমসুং মতমগা চুনরে। লান পাংবীনবা ময়ামসু থোরক্লে, মরাং কায়না লৈরে। ওইরিবা ফীভমসিদবু ৱার ওন দ্রগস কেম্পেন অসিবু ডাক্তরনা অনাবা লায়েংবদা ওপরেসনদি মায় পাক্লে, অনাবদি শিরে হায়বগী থৌদৌসিবু থোরকহনফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। মসিদি চুমদে। কোঞ্জেং কোকফাইনা নোমখৈ নোম্নগা মনঙ্গলদা মরূম পুই হায়বদুগী ফীভমদা তাহল্লকপা লানগনি। মরমদি অকনবা লানসি শোক্লরিঙৈগী চৈরক্তা ইল্লিগেল দ্রগস ওভরদোজদা ইনখৎলক্লিবা নহাশিং শিবগী থৌদোকসি হন্দক মরক য়াম্লা তোয়না থোকচিল্লক্লি। সেপ্টেম্বর ২৭, ২০২২গী অয়ূক অঙনবদা দি এম কোলেজ কেম্পসকী নোংপোক থংবা চেকপল মনাক্তা নহা অমা শিরগা লৈরমখি। থংনবা নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২৮গী নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদনা ককচীং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সোরাগী কাবর্ষ্টান ময়াদসু নহা অমা শিরগা লৈরমখি। লৈখিদ্রবা অনীমক ইল্লিগেল দ্রগস ওভরদোজদগী ওইগনি হায়বগী চপ চাবা খুদম-চাংদমশিং ফংখি।

অদুবু থৌদোক অনীসিদগী চোঙথোরক্লিবা ৱাফমদি মণিপুরদগী ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মরূ ফংনা মূত্থৎতুনা ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংগী মমল য়াম্লবা পুন্সিশিং কন্নবনি হায়দুনা শোক্লরক্লিবা অকনবা লাল্লকসিদবু কলহৌগদৌরিবা নহাশিং বোম-বোম তুদুনা শিজিল্লকপা অসিবু চুম্রা হায়বনি। লানসি মায় পাক্ননবা লৈজবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শোক্লরগা মায় পাক্লবা মতমদা তুংগী য়ূম্বী ওইরক্কদৌরিবা নহাশিং অমত্তা লৈরমদ্রগদি লান মায় পাকপগী ৱাহন্থোক মপূং ফাখিগদ্রা? লৌসু লোইবা, ষণসু লোইবগী থৌদৌ তাহল্লকপা চুন্লোই। মরম অসিনা লান শোক্লরিঙৈ মরক্তা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোরক্তনবা হোৎনবসু লান অসিগী শরুক অমা ওইহনগদবনি। লান শোক্লরিবনি হায়দুনা মপান্দগী মণিপুরদা পুশিল্লকপা ইল্লিগেল দ্রগশিং থিংদুনা ফাগৎপগী থবক খক্তদা মিৎয়েং থম্বা চুমদে। ময়াই কাবা দ্রগশিং শীজিন্নবা মীওই পূম্নমক লৌখৎলগা রিহেবিলিটেসন সেন্টরশিংদা থমগদবনি। তঙাইফদনা দ্রগ মখা তানা শীজিন্নদবা য়াদবা দ্রগ য়ুজরশিং য়াওরবা ফাওবদা অপীকপা দোজদা হন্থহনবা য়াব্রা? নৎত্রগা অতোপ্পা হকচাংদা কান্নবা মেদিসিনশিংনা মহুৎ শিনবা য়াব্রা হায়বদুসু য়েংশিল্লগা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎকদবনি। নৌনা ইল্লিগেল দ্রগ শীজিন্নরক্কদবা মীওইশিংসু শীজিন্নরক্তনবা থিংহৌগদবনি। হান্নদগী শীজিন্নরক্লবা মীওইশিংবুসু কন্ত্রোল তৌরবদি মণিপুরনা ত্রাঞ্জিট রুট খক্তমক ওইরক্কনি। মতমদুদদি শোক্লরক্লিবা লান অসি খোঙলৈ থুনা মায় পাকপগী লম্বীদা শোয়দনা চঙশিল্লক্কনি। মরমশিং অসিননি থবক খুদিংমক অফবনি, কান্নবনি হায়দুনা হেক্তমক প্রপ-প্রপ, হোবে-হোবেদা তৌশিল্লুবা য়ারক্লোই। নীংথিজনা পোরম-পোমিৎ য়াৎথোক্লগা চঙশিনবগী তঙাইফদবা লৈগনি। ইল্লিগেল দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা লানসিসু অদুমঙাই, লান্থেং-লান্থোং মমুৎ তানা মাঙ-জৌননা খঙদোক্লগা শোক্লবগী লাঞ্জং চত্থগদবনি। লান শোক্লরিঙৈদা দ্রগ ওভর-দোজদা শিবগী থৌদোকশিং মখা তানা থোরকহন্দনবা হোৎনৌ। পূক্নিং চঙনবুদি চত্থরকপা থবক ওইরবসু অহোবশিং অসি লৈহন্দনবা হোৎনহন্নীংই হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫১

১) **''লমজিংবা''** (১৯৬৭) হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **''তৎলবা য়োলহিং লক্তা শমজিন্নবা''** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপগে?

৩) **''হৌগৎলোনে চান্নবী থোং হাংদোক্লো''** কৌবা লাইরিক অসি মণিপুর মপান লমগী অইবা অমনা ইবনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **''য়িমুং কোকফাই শৌ। ফদি ফরালৈ। ১০ চাকথম। চাগুম খুজামলত। চাকখুম লুখাক ৱাইতৈনা। ফকলাং মিরাংখা। লকাং মারি য়াল। লাকুম শিংগুম। ফুলৈ রাবাদা। শিদবী ঐনা মাই ওনশনদেয়।''** ৱাহৈ পরেং খরা অসি করি লাইরিক্তগী লৌথোরকপনো?

৫) **''নীংশিংলি হৌখ্রবা মতমদো''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমদি লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪)
২) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (১,২,৩,৪,৫)
৩) থোংগ্রাম রোমেন মৈতৈ, কৈরক তোমাল মখোঙ - (১)
৪) হৈস্নাম মাইকেল, শীংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায় - (১,৪)
৫) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং - (১,২,৪)
৬) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (১,২,৪)
৭) থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনিং লৈকায় - (১,৩,৪,৫)
৮) অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)


*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ৫০গী ৱিন্নর*

***মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ৫০গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

# অহিংগী তোঙানবা মশক

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



''মৈরাবা নঙ থেঙনা থেঙনা হল্লক্কনু মতম ফত্তে'' নহাল মৈরাবদা ঐনা হায়খি।

মানা খুম্মী, ''করিনো বাবা, মতম ফত্তবা হায়ববু? ঐ মদুগী ৱাহন্থোক খঙদে। মতমবু ফত্তবা লৈব্রা?''

ইচানুপানা থেঙনা হল্লকপগী ইপা-ইচা নুংতিগী ঙাঙনৈ, শানৈ, মরৈ য়েৎনৈ। মদু ঐনা য়ানীংদে।

নোংমা কাংদনা তাবা ফংলম্মী তাহৈদ্রবা ৱারী কয়া। নুমিৎ খুদিংগী ফোঙবা পাউচেশিংদা মীহাৎ থীনা হাৎপীরবা শকফম কায়রবা অশিবা কয়াগী ফোটোগা কোন্নবা পাউদম কয়া কয়া য়াওরম্মী। মদু উরুরগা পাখং মচা ফাগৎলকপদা ঙায়জরিবা ঐগী ইফমদা য়ূমদা সুম লৈবসু অদুগা চৎথোকপসু অকিবা অমা ফাওরম্মী। মিহুল চেঙ্গুম চেঙ্গানদুনতা লাকখি। মতম অমা লমদম অসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লম্বা অদুগুম্বা তমথীরবা থৌদোকশিংদুনা থৱায় কয়া কয়াবু পু পুদুনা চৎখ্রে। থাবলগী মচু অমদি নুংশাগী মঙাল ঈগী মচু ওইরম্মী। ঐগী ৱারী অসি চহী কুন মতুংসিদা পোকপা অঙাংশিংনদি শাজিনবা ৱারী মাল্লগনি। মখোয় অসি ঙসিদি কয়াগী মতিক লাইবক ফরিবা!

নোংমনা মিনুংশি য়াওদ্রবা নোংমৈ নৎত্রগা মীকূপ্তা শিংকূপ শাহনবা ঙম্বা বোমগী খয়াৎতা কনা অমা তাখিনি। অমম অথেংদা ঐখোয়বু ইশা পায়দুনা চ্যেক তৌরক্কনি, আইদেন্টিটি কার্দ পুথোক্কনি, পরেং শানা লেপকনি, ফম্মু হায়বদা ফমগনি, ষণ শাউ হায়রগা ষণ শাগনি। খুন্নবা পাঙ্গল লৈত্রে, ঐখোয় লৈমায়দা মায় লূকথগনি শিগদৌরবা হামেংগুম্না। করিগুম্বদা কা হেনবা মথোঙ হুক্তবা কনা অমা ওক্লরুবদা খজিক্তং খুম্বা হৈতদুনা নৎত্রগা পাখৎতুনা শোয়না খুন্নুবদা হেক থংনবা মীকূপ্তা মখোয়না ঐখোয়বু করি তৌরক্কদগে হায়বা খঙবা ঙম্নদে। মদুবু য়াজনবগীদমক হরাউনা শেম শাদুনা লৈবা নত্তনা করিসু পাম্বে লৈতে।

মতম অদো মীচমশিংগী ৱাকৎ তাবীনবা লৈখিদে। তাবীগদবা মখোয়গী নাকোংদা ঐখোয়গী ৱাকৎ চঙলম্বদি য়াই অদুবু ৱাকৎ অদুগী মরমদা মখোয় করি অমত্তদি তৌবা ঙম্লমদে। কনা অমত্তনা, করি অমত্তসু, কনা অমত্তগী তৌবা ঙমখিদে। পাউচেশিংদা হাপ্পল্লিবা অকি তুজুংলবা থৌদোকশিংগী ৱারীশিং অদুবু পারুরগা শুপ্নতংগী মদু থোকখ্রে হায়না খঙজবা অদুতমকনি মতমদুদা ঐখোয়না ঙমখিবা। ঈগী লৌখোংগী ঈরাওখোল তারি ঙসিসু নাকোং অনীসিদা। ঈংবনা য়ূমদগী মপান থোক্লিংদ্রবা অহিং কয়া। নুমিদাং খুদিং ঐগী য়ূমগী কিলোমিটর তরেৎ/নিপালগী অকোয়বদা লৈবা মফমশিংদা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপ্পবা তারম্মী। ঐগী কাগী থোঙ থোঙনাও নৎত্রগা লৈমায় অসি বোম পোকখায়বগী মখোলদা কয়ারক নীকখ্রবনি। মখোল থোক্ত্রবা পুলিসকী গাড়ীশিংনা নুমিদাং লম্বীদা হঙ্গৎ হন্দা থৌরকপগী মৈঙালদা লমদম অসিবু ময়েক শেংনা উখ্রবনি। নুমিদাংগীনা ৱারী অমা, অয়ূক্কীনা ঈখেং অমা, নুংথিলগীনা থৌদোক অমা। মতম অদো অহিং ওইরক্কনি খনবদা অৱাবা অমনি। অহিংগী তোঙানবা মশক অমা ওইখি। থানিলগী ফজফম অমদি চন্নফম লৈখিদবা। অহিংগী তোঙানবা মশক। ঐদি অকিবদু ঙসিসু লৈরি। ঐগী ইশাদা ফাওখিবা অকিবা অমদি চোঙখিবা মিহুল অদু হন্থদ্রি হৌজিক ফাওবা।

মৈরাবা ঙসিসু মমান্নবগী য়ূমদগী থেঙনা হল্লকপদা নাচুংবা অমত্তা পোক্তে। মহাক্লা খল্লম্বা য়াই লমদম অসি য়াম্না শান্তি লৈবা লমদম অমনি। ঐগা মাগা য়াম্না শাথীনা ৱাখল্লোন মান্নদ্রে। মহাক লমদম অসিগী শেমদোক্তবা পুৱারী অমা পাবা মথৌ তাই। মসি ঐনা ফমুংদা হিপ্পা হিপ্পা খনবা ৱাখলনি। নুমিদাং হায়বসি মানা য়াম্না লায়না খল্লিয়ে। নুমিদাং অসিনা অমুক হন্না মচিং হৌরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ঐনা নুমিদাংবু কিদবা লৈতে। নুমিদাং, ঐ অহানবদা নুমিদাংবু য়াম্না কিজরম্মী অদুদগী ঐনা পাখং ফারবা মতমদা নুমিদাংনা ঐবু কিহনবা অমুক ঙম্লকখিদে। নুমিদাংবু ঐনা নুংঙাইরবা শান্নপোৎ অমা ওইনা নীং তম্না শান্নখি। মৈরাবনা লমদম অসি শান্তি য়াম্না লৈবা নুংঙাইরবা লমদম অমনি হায়না খনবগুম্না। অমুক ওইরকখি তমথীরবা অহিংশিং। ঐ কাইনথংদা মতম কয়া, কুমজা কয়া মঙলাক্লদবা অহিং য়াওখিদে হায়বা ঙম্মী। মসিগী মতুংদা মঙলাক্লুবা তপ্না তপ্না ফবা হৌরকখি ঐ।

মাবু অমুক্তংদি ঐ লমদমসিগী পুৱারী খঙহনবা পাম্মী। অহিং অসে লোইদ্রি মাগী মচৎ হোংদ্রি। অহিংবু শান্নবা পাল্লুখিনু নঙ অঙাং য়াম্না ওইরি হায়বা খঙহন্নীংলি। ঙসি ফংলিবা থাবলনা পূমঙৌ ঙৌনা ফীঙৌ ফৌরবা অঙাংবা মচু কোল্লবা অহিং অসি ওইনতা মখোয়না খল্লি। মানা অহিংশিংসিদা মনীং তমদুনা শান্নরি অমদি শান্ননীংলি। লমদম অসি ঙসিসু মঙলাক্লরি।

মহাক হৌজিকসু হল্লক্তরি। লমদম অসি মমীৎ পাঙবদা ঙায়রিবা মানা মপূং ফানা উবা ফংদ্রি। মানা খল্লিবা অসিবু করিনো? অহিংগী তোঙানবা মশক অমা লৈরি মানা খঙনীংফম থোক্তবরা? মখোয়গী মীরোলনা অসুম্না হেক হেক খঙনীংদ্রিবসি করিগীনো? ●

# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ নোংখ্রং # ৩৬১

**– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –**

**সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ**

ৱীদ হায়বদি হাজোংবা পাম্বী অমা ওইনা ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা অদুমক মরাং কায়না হৌবা হীদাক কান্নরবা পাম্বীলক্তগী নোংখ্রং হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। নোংখ্রং পাম্বী অসি ইংলিসতা ভর্গেট লিফ-ফ্লৱর (Virgate leaf-flower) নৎত্রগা সীদ অন্দর লিভ (Seed under leaf), সংস্কৃটতা টন্দমরেল (Tandameral), হিন্দিদা নৎত্রগা অয়ুর্বেদিক্কী ওইবা মমিংদা ভুমিআমলাকী (Bhumyaamlaki), অসামিজদা বোন-বাব্রী (Bon-babri), মরাথীদা ভুইএভালি (Bhuiavali) নৎত্রগা মোথী ভুইআমভালী (Mothi bhuiaamvali), টামিলদা পাতর নেল্লি (Patar nelli), গুজরাতিদা মোতিভোনয়ানমালি (Motibhonyaanmali), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা ফাইলান্থস সিমপ্লেক্স (Phyllanthus simplex Retz.) নৎত্রগা ফাইলান্থস ভর্গেটস (Phyllanthus Virgatus J.R. et G. Forst.) নৎত্রগা ফাইলান্থস ফিলিকাওলিস (Phyllanthus filicaulis Benth.) নৎত্রগা ফাইলান্থস বেক্লেরী Phyllanthus beckleri Mull. Arg.) নৎত্রগা মেক্রীয়া ওভেলিফোলিয়া (Macraea ovalifolia Wight.) নৎত্রগা মেলন্থেসিয়া রুপেসত্রীস (Melanthesa rupestris Miq.) হায়না কৌই অমসুং য়ুফোর্বিয়েসী (Eupharbiaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। শাগৈ অসিদা চনবা অতোপ্পা মরু ওইবা পাম্বী খরদি - হৈগ্রু পাম্বী হায়বদি ইন্দিয়ান গুজবেরী (Phyllanthus emblica Gaertn.), কেগে পাম্বী হায়বদি কেষ্টর সিদ (Ricinus communis L.), কিহোরী পাম্বী হায়বদি ষ্টার-গুজবেরী (Phyllanthus acidus (L.) Skeels) অসিনচিংবনি।

নোংখ্রং হায়রিবা পাম্বী অসি চহী অমা নৎত্রগা অনীরোমতমক পুন্সিবা, ফুট অনী ফাওবা ৱাংতক তৌবা, মখোক অদু উগুম্না খরা কন্তক তৌবা অপীকপা পাম্বী অমনি। পাম্বী অসিগী মনা অদু ইচম চম্বা (Simple) সেন্টিমিটর ১.৫দগী ৩ ফাওবা শাংবা অদুগা মিলিমিটর ৬তগী ৯ ফাওবা পাকপা মরম্না পাম্বী অসিগী বোটানিকেলগী ওইবা মমিংগী স্পিসিস অদু সিমপ্লেক্স হায়না থোনখিবনি। পাম্বী অসিগী মখোক অদু নাপু মচু চঙলপ্না ঙাংবা মচু ওই। নোংখ্রং পাম্বীগী মহে অদু মিলিমিটর ৩দগী ৩.৫ রোম চাওনা মতুম তারপ তৌই অমসুং মশুং নাইরপ তৌই (depressed-globose) অমসুং মদু হেক য়েংবদা হৈগ্রু পাম্বীগী মহৈগী মওং মাল্লি।

নোংখ্রং পাম্বী অসি অশাবা ত্রোপিকেল অমসুং খরা শাবা সব-ত্রোপিকেলগী মফমশিং মরু ওইনা এসিয়া অমসুং পেসিফিককী লমদমশিংদা মহৌশাগী ওইনা হৌজৈ। পাম্বী অসি অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী অয়ান্বা মফমশিং, বোর্নিও, বাংলাদেশ, কম্বোদিয়া, চাইনা, ফিজি, লাওস, সুদান, ম্যান্মার, নেপাল, পাকিস্থান, নিকোবর ঈথৎ, ফিলিপিন্স, ওষ্ট্রেলিয়া, শ্রী লঙ্কা, টাইৱান, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, নোংচুপ থংবা হিমালয়গী মফমশিং অসিদা হৌবগী পাউদম লৈ।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না নোংখ্রং পাম্বীগী মহৈদা ওক্সালিক এসিদ (Oxalic acid) হায়রিবা য়েন্সিল পাম্বী (Oxalis species) দা য়াওরিবা কম্পাউন্দ অদু য়াওই। পাউদমশিংগী মতুংইন্না নোংখ্রং পাম্বী অসি কুইরবা মতমদগী মখল মখা কয়াগী অনা-লায়েংদা হীদাক ওইনা শীজিন্নরক্লি। ফিলিপিন্সতদি নোংখ্রং পাম্বীগী মনা অদু ফজনা চামথোক্লগা শুগাইরগা লৌবা মহী অদুনা মীৎতা চাং নাইনা দ্রোপ ওইনা হাপ্তুনা মখল কয়াগী মীৎকী লায়নাশিং লায়েংনৈ। কনাগুম্বা মীওই অমা অরুম-লাইহৌ তৌরবদি নোংখ্রং পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু পীথকপদা থোইদোক্লা কান্নবা ফল ফংগনি। হায়রিবা অশেম্বা মহী অদু অশোক-অপন তৌবা অমদি অপাৎপদা চাং নাইনা তৈবদা ফগৎহনবা ঙম্বগী মথক্তা তুশিন্দুনা তোংশা কায়দুনা অমদি শীংলি থুপ্পদসু চৈনা অদু মপূং ফানা হন্থহনবা ঙমগনি। অতোপ্পা পাউদম অমগী মতুংইন্না নোংখ্রং পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু নাপু কাবগী লায়না (জোন্দিস) অমসুং ঈশিং পুকচৎকী লায়না (দাইবেটিস) অসিদা লায়েং হীদাক ওইনা কুইরবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি। নোংখ্রং পাম্বীগী মনা, লৈ অমসুং মহৈ অদু জিরা (ক্যুমিন) অমসুং চিনি অঙৌবা খরগা লৌরগা পূন্না শুগায়মিন্নরগা শেম্বা মচল অদু গোনোরিয়া হায়না খঙনবা বেক্টিরিয়া হিংকুপ্না নুপা অমসুং নুপীগী ফিনুংগী শরুক হায়বদি সেক্সতগী নাই মানবা মচুম তাবা অদুদা পীজদুনা লায়েংনৈ।

ইন্দিয়াগী ছোটা নাগপুর (Chota Nagpur) দা লৈবা ত্রাইবেল কাঙলূপ অমনা নুপীগী খোমদা ময়ি চৎপা অমদি চেকখায়বদা অমদি খোমদা নাই চাদুনা পোমখৎপা অমদি নাবদা নোংখ্রং পাম্বীগী মরা অদু কূপ্না তকখায়রগা শেম্বা মোলোম অদুনা চাং নাইনা তৈদুনা লায়েংনৈ। অঙাংদা ফুগ্রি থুংদুনা য়াম্না হাক্চবদা নোংখ্রং পাম্বীগী মনা অদুগা বট্টর (Butter) হায়বদি মাখনগা পূন্না তকখায়মিন্নরগা শেম্বা মোলোম অদুনা চাং নাইনা নোংমদা অহুল্লক তৈদুনা লায়েংবা য়াই। বিজ্ঞানগী ওইবা পাউদমশিংগী মতুংইন্না নোংখ্রং পাম্বীগী অতেকপা মনাদা এন্টিসেপটিক (Antiseptic) হায়বদি লায়না কয়ামরুম পোকহনবা ঙম্বা হিংকুপশিং হায়বদি মাইক্রোওর্গেনিজমশিং মপূং ফানা ঙাকথোকপা অমদি হাৎপা ঙম্বগী মগুণশিং য়াওই হায়বসিনি। অঙাংশিংগী পূক্নুং অমসুং থিবোং-থিরিলদা তীল লৈবদগী অঙাং অদু চি থুংদুনা ময়াং য়াম্না কংবা হায়বদি মালন্যুত্রিসন (Malnutrition) তৌবা অদুদা নোংখ্রং পাম্বী শুগায়রগা শেম্বা হীদাক অদু চাং নাইনা পীথক্তুনা লায়েংবগী চৎনবী অদু ইন্দিয়াগী ত্রাইবেল কাঙলূপ খরনা অরিবা মতমদগী শীজিন্নরক্লি হায়বগী পাউদমসু লৈ। থাইলেন্দদি নোংখ্রং পাম্বীদগী শেম্বা হীদাক অদুনা ফিরাক্কী লায়নাশিং লায়েংনৈ। ভানুৱাতু (Vanuatu) হায়রিবা লমদম অদুগী মীওইশিংনা নোংখ্রং পাম্বীগী মরা শুগায়রগা শেম্বা মোলোম অদু নুপীনা অঙাং পোক্লমদাইদা নুপী অদুগী অঙাংথোঙ অদুদা তৈবদা অঙাং অদু পোকহনবদা অশোয়-অঙাম থোকহন্দে হায়না পাউদল্লি। ●

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫০গী পাউখুম

১) **''মণিপুর গৌর লীলা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
**:- শ্রীমতি থোকচোম নিংঙোল বৃন্দাশাবী দেবী, অহানবা ফোঙবা ২০০৮।**

২) E.F. Watling না ইংরাজিদা হন্দোকপা, The Theban plays, Penguin Books, 1947 তা ফোঙখ্রবা King Oedipus তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে? **:- খাইদেম নবকুমার সিংহ, অহানবা ফোঙবা ১৯৭৬।**

৩) **''মনোরমা''** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?
**:- অইবা-টি ব্রজগোপাল শর্ম্মা।**

৪) **''অপীকপা নুংশা শ্বর''** হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং কনানা ইবনো? **:- অইবা-বুধিচন্দ্র হৈস্নাম্বা, লাইরিক্কী মখল ৱারীমচা, অহানবা ফোঙবা ২০০৬।**

৫) **''ঐনা ঈশৈ শক্লগা শক্লিবা/ঐনা লাউরগসু লাউরিবা/ফনা মান্নরি ঐগী খোন্দাগসু/কনানো শকউদবা নহাকপু''** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা লাইরিক্তা য়াওবা করি শৈরেংদগী লৌথোকপনো ?
**:- অইবা-হিজম ইরাবতনা ইবা শৈরেংগী লাইরিক 'শৈদম শৈরেং' দা য়াওবা শৈরেংনি। শৈরেংগী মমিং 'খোন্থাঙ' অহানবা ফোঙবা-১৯২৯।**